

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, TUESDAY, JANUARY 22, 2019 PAGE 7




*ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা জপানগী শান্নরোই কৈ নিসিকোরি*

*ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব আর্সনেলগী হেদ ওফ রিক্রুইটমেন্ট ওইরম্বদগী মথং থা ফেব্রুৱারি ৮ দগী ফম থাদোক্লগদবা ইসভেন মিসলিনটেট*

## ইন্দিয়া অমদি কেপ্টেন কোহলিনা আই সি সি টেষ্ট রেঙ্কিংসকী নম্বর ৱান পোজিসনদা লেঙদনা লৈরি

*দুবাই, জনুৱারি ২১ঃ*

ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সি সি) না ঙসি থাদোরকপা খ্বাইদগী নৌবা টেষ্টকী রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী টিম নম্বর ৱান পোজিসনদা লেঙদনা লৈবা ঙম্লি। অদুগা টেষ্ট বেটসমেগী রেঙ্কিংদনা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা নম্বর ৱানগী পোজিসন কনবা ঙম্লি।

ইন্দিয়ানা হন্দক্তা ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নখিবা ক্রিকেট সেরিজগী মনুং চন্না শান্নখিবা টেষ্ট সেরিজদা ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াবু থোইদুনা অহানবা ওইনা সেরিজ লৌখিবা অসিনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াগী টিম ঙসি আই সি সি না থাদোরকপা রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা নম্বর ৱান পোজিসনদা লেঙদনা লৈবা ঙমখি।

টেষ্ট টিমগী রেঙ্কিংদা সাউথ অফ্রিকানা অনীশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি। অদুগা ৱেষ্ট ইন্দিজবু মেটচ ৩–০ দা থোইদুনা সেরিজ মায় পাকখিবা ইংলেন্দগী টিম্না অহুমশুবা মফম কনবা ঙম্লি। ওষ্ট্রেলিয়া অমদি শ্রী লঙ্কা টেষ্ট টিম রেঙ্কিংদা মথংশিংনা ৫শুবা অমদি ৬শুবা পোজিসনদা লৈরি।



ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলনা ঙসি থাদোরকপা মকোক মথং তাবগী পরিংদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা পুন্না পোইন্ট ৯২২ ফংদুনা নম্বর ৱান পোজিসনদা লেঙদনা লৈবা ঙম্লি।

ন্যু জিলেন্দগী স্কিপ্পর কেন ৱিলিয়মসননা ভিরাট কোহলিদগী পোইন্ট ২৫ হন্থরগা পুন্না পোইন্ট ৮৯৭ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি। টেষ্ট বেটসমেনগী রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী চিটেশ্বর পুজারানা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বেটসমেন রিসব পন্ত ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নখিবা ক্রিকেট সেরিজ অদুদা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবদগী ১৭শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি।

বোল্লিংগী মায়কৈদগী সাউথ অফ্রিকাগী ফাষ্ট বোল্লর কাগিসো রাবাদানা নম্বর ৱান পোজিসনদা লেঙদনা লৈবা ঙম্লি। ষ্টেট বোল্লিংগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা ইন্দিয়াগী রবিচন্দ্রন আস্বিন অমদি রভিন্দ্র জাদেজানা খ্বাইদগী ফজবা ওইনা মথংশিংনা ৫শুবা অমদি ৯শুবা পোজিসনদা লৈখ্রে।

হন্দক্তা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নখিবা ক্রিকেট সেরিজ অসিদা য়াম্না ফজবা বোল্লিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবা জস্প্রিট বুমরাহনা পুন্না পোইন্ট ৭১১ ফংদুনা ১৫শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি।

## যুএসকী সেরেনানা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান রোমানিয়াগী হালেপ থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে, জপানগী নিসিকোরিসু ক্বার্টর চঙবা ঙমখ্রে


*মেলবর্ন, জনুৱারি ২১ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি মেলবর্নদা চত্থরিবা চহী অসিগী অহানবা গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা যুএসকী সেরেনা ৱিলিয়মসনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপপু মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনল চঙখ্রে, জপানগী কৈ নিসিকোরিসু ৪শুবা রাউন্দগী মেটচ মায় পাক্লুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ১৬শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী যুএসএগী সেরেনা ৱিলিয়মসনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপপু সেট অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ৬–১, ৪–৬, ৬–৪ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

সেরেনা ৱিলিয়মসনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভাগা লম্বা তৌনরগনি। প্লিজকোভানা ঙসি শান্নখিবা ৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ১৮শুবা সিদেদ স্পেনগী গারবিন মুগুরুজাবু ষ্ট্রেট সেট ৬–৩, ৬–১ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী জপানগী নাওমী ওসাকানা ১৩শুবা সিদেদ অনাষ্টেসিজা সেভাষ্টোভাবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৪–৬, ৬–৩, ৭–৬(৭–৫) দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।



*ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবী যুএসকী সেরেনা ৱিলিয়মস*

জপানগী নাওমী ওসাকানা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই যুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনাগা শান্নরগনি। যুক্রেনগী স্বিটোলিনানা ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা রাউন্দদা ১৭শুবা সিদেদ যুএসকী মেদিসন কিজবু ৬–২, ১–৬, ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা জপানগী কৈ নিসিকোরিনা ৪শুবা রাউন্দদা স্পেনগী পাব্লো কারেনো বুষ্টাবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৬–৭(৮–১০), ৪–৬, ৭–৬(৭–৪), ৬–৪, ৭–৬(১০–৮) দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা নম্বর ৱান সিদেদ সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিসকা শান্নরগনি। জোকোভিসনা ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা রাউন্দদা রুশিয়াগী দানিল মেদভেদেভবু ৬–৪, ৬–৭(৫–৭), ৬–২, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ১৪শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা কানাদাগী মিলোস রাউনিকনা ৪শুবা সিদেদ জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভপু ষ্ট্রেট সেট ৬–১, ৬–১, ৭–৬(৭–৫) দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

রাউনিকনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ২৮শুবা সিদেদ ফ্রান্সকী লুকাস পোলিগা শান্নরগনি। লুকাস পোলিনা ঙসি শান্নখিবা ৪শুবা রাউন্দগী মেটচতা ১১শুবা সিদেদ ক্রোএসিয়াগী বোর্না কোরিকপু ৬–৭(৪–৭), ৬–৪, ৭–৫, ৭–৬(৭–২) দা থোইরম্বনি।

## ইন্দিয়াগী সিন্ধু, সাইনা অমদি স্রিকান্থ ইন্দোনেসিয়া মাষ্টর্সতা শরুক য়াগনি

*জাকর্টা, জনুৱারি ২১ঃ*

থা অসিগী ২২ দগী শান্নবা হৌগৌদরিবা যু এস দোল্লর ৩৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা ইন্দোনেসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা সট্টলর পি ভি সিন্ধু, সাইনা নেহৱাল অমদি কিদম্বী স্রিকান্থ শরুক য়াগনি।

ইন্দোনেসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইগদৌরিবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা কুমজা ২০১৯ গী অহানবা ওইনা শরুক য়াগদৌরিবা অসিদা চাইনাগী লি ঝুরোইগা শান্নদুনা কেম্পেইন হৌদোক্কনি।

পি ভি সিন্ধুনা কুমজা ২০১৮ দা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্থ গেমস, এসিয়ান গেমস অমদি ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা সিলভর মেডল ফংবা ঙমখি। অদুবু চহী অসিগী দিসেম্বর থাদা চাইনাগী সিটি গুৱাংঝৌদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড টুর ফাইনেলসতা জপানগী নোজোমী ওকুহারা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপী সট্টলর সাইনা নেহলৱানা ঙরাং লোইশিনখিবা মালেসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা চহী অসিগী অহানবা ওইনা শরুক য়াখিবদা ক্বার্টর ফাইনেলদা রিও ওলিম্পিক্সকী গোল্ড মেডালিষ্ট স্পেনগী কেরোলিনা মারিনগী মখূত্তা মায়থিহৌবনি।



থা অসিগী ২২ দগী হৌগদৌরিবা ইন্দোনেসিয়া মাষ্টর্স অসিগী পরিংদা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা নম্বর টু সিদেদ জপানগী অকানে য়ামাগুচিগা ক্বার্টর ফাইনেলদা থেংনরবা য়ারি।

লৈবাক অসিগী মকোক থোংবা নুপা সট্টলর কিদম্বী স্রিকান্থসু ঙরাং লোইশিনখিবা মালেসিয়া মাষ্টর্সকী ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থিহৌবনি। মহাক্না ইন্দোনেসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা মালেসিয়াগী চোং ৱৈ ফেংগা শান্নরগনি।

ইন্দোনেসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপা সট্টলর সমির ভর্ম, বি সাই প্রনিথ অমদি ঐচ এস প্রনোইসু শরুক য়ারি।

সমির ভর্ম মমাঙ সিজনদা স্বিজ ওপন, হায়দরবাদ ওপন অমদি সায়েদ মোদি ইন্টরনেসনেল টুর্নামেন্টশিংগী টাইটল লৌদুনা য়াম্না ফজবা ঙমখিবনি। মহাক্না ইন্দোনেসিয়া মাষ্টর্স অসিগী অহানবা রাউন্দদা চাইনাগী লিজেন্দরি লিন দানগা লম্বা তৌনগনি।

প্রনিথনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দদা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন চাইনাগী চেন লোংগা শান্নগনি, অদুগা ঐচ এস প্রনোইনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দদা চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোই চৌ টিয়েন চেনগা লম্বা তৌনগনি।

## এফআইঐচ সেরিজ ফাইনেলসতা ইন্দিয়ানা জপান অমদি সাউথ অফ্রিকাগা গ্রুপ পুনখ্রে

*ভুবনেশ্বর, জনুৱারি ২১ঃ*

উরিষাগী কোনুং ভুবনেশ্বরনা যুম্থু ওইরগা চহী অসিগী এপ্রিল অমসুং জুন থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনেল হোক্কী ফেদরেসন (এফ আই ঐচ) সেরিজ ফাইনেলসতা ইন্দিয়া জপান অমদি সাউথ কোরিয়াগা গ্রুপ পুনখ্রে।

জুন ৬ তগী ১৬ ফাওবা ভুবনেশ্বরদা শান্নগদৌরিবা এফ আই ঐচ সেরিজ ফাইনেলস অসি কুমজা ২০২০ টৌকিও ওলিম্পিক গেমসকী অহানবা রাউন্দ ক্বালিফায়রনি।

এপ্রিলদগী জুন থা ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্কদৌরিবা হোক্কী সেরিজ ফাইনেলস তরুক অসিদগী মকোক থোংবা লৈবাক অনীনা চহী অসিগী ওক্তোবর অমদি নবেম্বর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২০২০ ওলিম্পিক্সকী ক্বালিফিকেসন ইভেন্টতা শরুক য়াবা ঙমগদৌরিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপা টিমগা গ্রুপ পুল্লিবা লৈবাকশিং অদুদি এসিয়ান গেমস চেম্পিয়ন জপান, সাউথ অফ্রিকা (ৱার্ল্ড নম্বর ১৬), পোলেন্দ (২১), রুশিয়া (২৩), যুএসএ (২৬), মেক্সিকো অমদি উজবেকিষ্টাননি।

ইন্টরনেসনেল হোক্কী ফেদরেসন সেরিজ ফাইনেলস অসিগী নুপীগী টুর্নামেন্টনা জপানগী সিটি হিরোশিমানা যুম্থু ওইরগা জুন ১৫ দগী ২৩ ফাওবা পাঙথোক্কনি। ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিম্না চিলি (ৱার্ল্ড নম্বর ১৬), পোলেন্দ (২৩), উরুগ্বে (২৪), রুশিয়া (২৫), মেক্সিকো (৩০) অমদি ফিজিগা লম্বা তৌনগনি।

এফ আই ঐচকী সি ই ও থিয়েরি ৱিলনা ফোঙদোকখিবদা পাঙথোক্কদৌরিবা হোক্কী সেরিজ ফাইনেলস ৬ অসিগী গ্রূপশিংদা পুল্লিবা টিমশিং অসিনা শান্নবা য়েংবদা য়াম্না নুংঙাইবা ওইগনি হায়খি।

## জপান, ইরান, চাইনা অমদি ভিয়েটনাম এএফসি এসিয়ান কপ ২০১৯গী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

*সারজাহ, জনুৱারি ২১ঃ*

যুএইনা যুম্থু ওইরগা চত্থরিবা এএফসি এসিয়ান কপকী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং মায় পাক্লুনা জপান, ইরান, ভিয়েটনাম অমদি চাইনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

এএফসি এসিয়ান কপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙদা ৪রক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা সাউদি অরাবিয়াবু ১–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

জপান অমদি সাউদি অরাবিয়ানা শান্নখিবা মেটচ অদুদা মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈরকখ্রবা মতুং মেটচকী ২০শুবা মিনটতা জপানগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা টাকেহিরো টৌমিয়াসুনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখিবা অদু অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু জপাননা সাউদি অরাবিয়াবু ১–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

জপাননা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা ভিয়েটনামগা শান্নরগনি। ভিয়েটনামনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা জোরদানবু পেনাল্টি সুট আওটতা ৪–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি।

এএফসি এসিয়ান কপ অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইরাননা ওমানবু ২–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

শান্নবগী ২শুবা মিনটতা ওমাননা ফংখিবা পেনাল্টি অমা টিম অসিগী শান্নরোই অহমেদ অল মাহাজরিনা পাঞ্জল চলহৌদবদগী মাঙজিল থারম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা নাম্থোকখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৩২শুবা মিনটতা ইরানগী শান্নরোই এলিরেজা জাহানবাক্সনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাখি। শান্নবগী ৪১শুবা মিনটতা ইরাননা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা অসকান দেজাগানা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা ওমানগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ইরাননা ২–০ দা মায় পাক্লুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনাগা শান্নরগনি।

চাইনানা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা থাইলেন্দবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইরম্বনি। চাইনাগী পাঞ্জলশিং অদু ঝি জিয়াও (৬৭) অমদি লিন গাও (৭১, পেনাল্টি) দা চনখি। থাইলেন্দগী পাঞ্জল অদুনা ৩১শুবা মিনটতা সুপাচাই জাইদেদনা চনখি।



*জপানগী কেপ্টেনদা সাউদি অরাবিয়াগী শান্নরোই অমনা ফাওল তৌদুনা তুহনখিবা*

## বিষ্ণুপুর ফাষ্ট দিভিজন অমদি সেকেন্দ দিভিজন ২০১৮–১৯



*ইম্ফাল, জনুৱারি ২১ঃ*

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা টিম ১৫ না গ্রুপ ৮ থোক্না মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ১৫ দগী চত্থরক্লিবা ৫শুবা ঐচ পিশক মেমোরিয়েল ফাষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগকী ৩৭শুবা মেটচতা ই এ এস এ নরানসেনানা জি এম সি ফুবালা শান্নবা লাক্তবদগী ৱাল্ক ওভর ফংখ্রে।

বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়ম অসিদা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ২৫ দগী টিম ১২ না গ্রুপ অনী থোক্না শরুক য়াদুনা চত্থরিবা ১৩শুবা এন বালানন্দা মেমোরিয়েল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা ২৮শুবা মেটচতা ই সি ঐচ ও বিষ্ণুপুরনা যু ৱাই দি সি উপোকপীবু গোল ৬–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা ই সি ঐচ ও গী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৮ এল খম্বনা মিনট ৯ দা গোল অমা, অনীশুবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ২ কেমরুননা মিনট ৩১, জর্সি নম্বর ৯ নন্দচান্দনা মিনট ৩৪, জর্সি নম্বর ৮ খম্বনা মিনট ৩৬ তা গোল অমমম অদুগা জর্সি নম্বর ১১ এল রোমিওনা মিনট ৩৮ অমদি ৩৯ দা গোল অনী চনখি। মেটচ অসিদা যু ৱাই দি সিগী জর্সি নম্বর এম এম এসতা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

### ক্রোসৱার্দ ৪৮ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| M | E | L | O | N | ■ | S | A | G | S | ■ | R | O | A | R |
| A | W | A | R | E | ■ | A | L | O | E | ■ | E | D | G | E |
| R | E | V | E | L | A | T | I | O | N | ■ | L | O | R | E |
| E | R | A | ■ | S | O | A | K | ■ | A | D | O | R | E | D |
| ■ | ■ | ■ | B | O | R | N | E | ■ | T | E | A | S | E | S |
| A | S | S | E | N | T | ■ | ■ | S | O | L | D | ■ | ■ | ■ |
| R | I | N | G | ■ | A | S | S | E | R | T | ■ | L | Y | E |
| C | L | A | S | S | ■ | T | I | E | ■ | A | S | I | A | N |
| H | O | G | ■ | A | M | E | N | D | S | ■ | H | O | L | D |
| ■ | ■ | ■ | S | N | A | P | ■ | ■ | T | B | O | N | E | S |
| P | E | S | T | E | R | ■ | S | C | O | R | E | ■ | ■ | ■ |
| R | A | T | E | R | S | ■ | C | A | R | E | ■ | S | C | I |
| I | S | E | E | ■ | H | E | A | D | M | A | S | T | E | R |
| D | E | E | P | ■ | A | N | N | E | ■ | S | T | A | L | K |
| E | L | L | S | ■ | L | E | S | T | ■ | T | A | R | T | S |


**PIS Brick Field (Mechanised)**

BRICKSAMPLE

(From time to time rate changeable)

| Class | Rate | Bricks | Amount | Gari Charge | Labour | Total |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st | Rs. 12.50 | 2000 | Rs. 25000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 27600 |
| 1st | Rs. 12.50 | 1500 | Rs. 18750 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20750 |
| 2nd | Rs. 12.00 | 2000 | Rs. 24000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 26600 |
| 2nd | Rs. 12.00 | 1500 | Rs. 18000 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20000 |
| 1st Rej. | Rs. 11.50 | 2000 | Rs. 23000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 25600 |
| 1st Rej. | Rs. 11.50 | 1500 | Rs. 17250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 19250 |
| Peti | Rs. 11.50 | 2000 | Rs. 23000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 25600 |
| Peti | Rs. 11.50 | 1500 | Rs. 17250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 19250 |
| 3rd | Rs. 7.50 | 2000 | Rs. 15000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 17600 |
| 3rd | Rs. 7.50 | 1500 | Rs. 11250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 13250 |

Contact: 9862048579, 8787464898, 7085684539 (Sunday closed & Phone switch off)

Wangjing Saban Chekon Leikai, Near Khongjom War Memorial Complex.

SL/1198/Alt.50 days